# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Charlie Chaplin (Junior)


Sydney (Junior)


Hugh Trevor-Roper

- অতোপ্পা মাগী মপোক নুমিৎকা চাননা নুংঙাইবা পাউ অমনা মাগী সেক্রেটরি, **Miss Rachel Ford** না কন্না হোৎনবদগী অমেরিকাদা আইন কয়ামা য়োন্থোক্লম্বা মাগী মোর্দন টাইমস হায়বা ফিল্মদুগী কপিশিং ফাবা য়ানবা কোর্টতা চে থাবদা অয়াবা ফংখি মাগী **Roy Expert** কম্পেনিদু।
- চার্লিগী হন্দক্কী ৭০শুবা মপোক নুমিৎ অসিগী পাউ মালেমগী পাউচে অয়াম্বদা চাউনা ফোঙনখি। মঙোন্দা তুংগী মীওইবগী মরাইবক করি ওইবা য়াই হায়না হংবদা মানা খুমখি - ‘‘ঐখোয় লান মুথৎকদবনি, টেবলদা ৱারী শানরগা খেন্নবা পূম্বা শন্তাইনবা য়াগনি। ঐখোয়না হায়দ্রোজেন বোম অমদি এটোম বোম হান্না মুথৎহৌগদবনি, মখোয়না ঐখোয়বু মুথৎলক্ত্রিঙৈদা।
- উনা হেক লাকপদগী চার্লিবু খক থাদোক্তে। চার্লিনা ফিল্ম স্ক্রিপ্টপু ইরবসু, থবক অমবু তৌরবসু উনানা মনাক্তা অদুম লৈ, ফিবু লোল্লবসু, কোলবু তূরবসু। মতাং মতাংগী উনানা মাগী মত অদুম পীখি। অদুনা চার্লিনা নোক্তুনা পাউমীদা হায়, ‘‘উনানা ঐবু য়েংশিনবীরি, ইচাশিংনসু ঐবু পূক্লিং থৌগৎপীরি। অদুনা ঐ অহল ওইবা শংদ্রি, ঐবু কনানসু থমোয় শোকহনবা ঙম্লরোই।’’
- অমুকসু মানা হায়, ‘‘ঐনা ঐগী নুপীবু ওন্থোক্লা নুংশিজৈ, মানসু ঐবু নুংশিনা লোয়নবী। অদুনা ঐখোয় নুংঙাইনা লৈমিন্নরি। ঐখোয়নী লুহোংবা চহী ১৬ শুরে। নোংমতা থাদোক্লদ্রি। অমুকখক্তং উনানা অমেরিকাদা থবক অমা চৎলুবদুগী নুমিৎ ৫নিদং লাপথোক্লবদু নত্তনা। উনাদি ঐগী থৌনা হাপকৎপদনি, অদুগা ঐগী ফরবা ক্রিটিক অমসুনি। মহাক পীথোক্লকপা গুন য়াওরি, মানা হায়রকপসি য়াম্না কান্নবরোমদনি।’’
- চার্লিনা উনাবু থাগৎতুনা হায়, ‘‘উনা মথৌ য়াম্না চিনবা নুপীনি। চাক থোংবসু মপা লৈতনা হৈবীনি। মানা চাকখুম কোইবদা কোল অমফাও চাইহনবীবা নত্তে, ঐগী ব্রেকফস্ট মতম, চাক মতম কৃপ্পা শেন্নবী।’’
- উনাদা হংবদনা অসুম্না খুন্মী, ‘‘ইচাশিং পূম্বা মনীং তমহল্লি, অদুবু মখোয়বু লেম্না অমতদি লৈহন্দে, বেলেট তম্বী, ঈশৈ তম্বী, ইবা-পাবসু তম্বী।’’ চার্লিনসু হায়, ‘‘অঙাংনা য়োমশিনবদা ঐ ৱাই চিনবদি লায়রদুনা মখোয়না য়োমশিল্লগা হেন্না থবক নুংঙাই। অদুগা উনাগা ঐগগী তোঙানবা সংসার অমসু লৈরি, নুংঙাইথোকপা।’’
- প্রেসনা হংদা হংজিল্লুরগা উনানা লায়না খুমদোক্লকই, - ‘‘ঐদি নহা অমদা লুহোংলিবনি খঞ্জরিবনি। চার্লিবু ময়াম্না ইপাগুম্বনি হায়বী, অদুবু য়ুমসিদদি চহীগী খেন্নবনা অকায়বা অমতা পীদে। ঐগী মিত্তদি মাসি নোংমা নোংমগী নহা সুম ওইথোক্লবোই খঞ্জরিবনি। **He has made me nature and I keep him young.** ঐনা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ৩৬৪দি চার্লিগী চহীগী মতাংদা নোংমতসু খল্লুদে, অদুবু মাগী মপোক নুমিৎ হেক হেক লাকপা নুমিৎসিদি ঐ খরা ৱায়।’’ অরোইবদা উনানা শম্না হায়, ‘‘ঐনা হায়রিবসি অহলদা ময়ূম পাল্লুবা মৌ নহা পূম্বনদি খঙ্গনি খল্লি।’’
- চার্লিগা উনাগা তোয়না লম কোয়বা চৎলি, করিগুম্বদা লন্দন্দা, করিগুম্বদনা পেরিসতা মচাশিং পুবসু য়াওই, পুদবসু য়াওই। ১৯৬১গী ওগস্ট থাদা ফার ইস্টতা কোয়রুই, ১৯৬২দনা আইয়ারলেন্দা কোয়রুই। মদুদা চার্লিনা খোই চোপ্তুনা নুংঙাইথোকই। ভোনস, লন্দন, পেরিস য়ৌশিল্লি। অদুবু হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা মচাশিং লোইনা পুবা অরোইবা খোঙচৎতি ওইদৌরি।
- ১৯৬২গী জুন থাদা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা **Doctor of Letters Honorary degree** পীখি। অদুবু ফিল্মগী কোমেদিয়ন অমদা দিগ্রী অসি পীবনা দিগ্রী অসিগী মগুন হন্থহল্লে হায়না ইতিহাসকার, **Hugh Trevor-Roper** নদি ইরকখি। অদু ফনা ওইদনসু মানা দিগ্রী লৌবা লাকপদুদি মীনা মাবু য়েংগদবগী চিক্লা চায়নবা ঙমখিদে। মচানুপী অহল **Geraldine** না মপাগী দিগ্রী লৌবদু য়াওনবা লাকপদা মাগী মশক তাক্লফাও চঙবদা অৱাবা কয়া নংখি। মাদি মতমদুদা লন্দনগী **Royal Ballet School** দা মহৈ তম্লিবনি।
- দিগ্রী অদু পীবদা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা হায়খি **"Illustrious man without doubt star of the first magnitude, You have been a source of the greatest pleasure to so many people for so many years."**
- ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী মতৌ তমদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ দুরহামনসু চার্লিবু নুমিৎ ৯নিগী মতুংদা **honorary degree of D. Litt.** পীখি। জুলাই ৮দা দিগ্রীদু হেক লৌবগা চার্লি থুনমক স্বিজরলেন্দা পাইখ্রে মরমদি মাগী ৮শুবা মচা উননবা উনাদি মতম য়ৌরক্লবনি। মানা জুলাই ৭তা য়ৌরগা অহীংদুদা উনাবু **Lausanne** দা লৈবা **Clinique Montchoisi** দা পুখৎলে। নোংঙাল্লমদাই পুং ৫.৩০দা মচানুপা অমা ফংজরে। মমিংনা **Christopher James** কৌবীরে। মসিনা চার্লিগী অরোইবা মচানি।
- অদুনা চার্লিগী মচা পূম্না ১০ শুরে। লিটা গ্রেনা চার্লি চেপ্লিন (জুনিয়র) অমসুং সিদনি (জুনিয়র) পোক্লম্লে। অদুগা উনাদনা ১৯৪৪দা মচানুপী **Geraldine**, ১৯৪৬তনা মচানুপা **Michael**, ১৯৪৯দনা **Josephine Hannah**, ১৯৫১দনা **Victoria**, ১৯৫৩দনা **Eugene**, ১৯৫৭তনা **Jane**, ১৯৫৯দনা **Annette** অমদি ১৯৬২দনা **Christopher James** অসিনি। অদুনা **Geraldine** পোকপদা চার্লি চহী ৫৫শুরে, অদুগা অরোইবা জেমস পোকপদনা চহী ৭৩ শুরে।
- চার্লিগী মচাশিং পূম্বা মমান্নবশিংগা কয়া তোৎনদে, স্কুলদসু। মরমদি মখোয়গীদি চাউখ্রবা য়ুমজাউদা মীনাই মীশল ৱাৎতে, মশাগী লৈকোল লৈজে। অদুগী মথক্তা মপাবুং উনবা লাকপা মালেমগী শক্লাইরবা মীওই কয়াগা থেংনরি। মপাবুংগী মতৌগুম মচাশিংসু মীবু থাজবা কয়া থমগন্দে।

-মথং-মথং

# চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি

## নীংশিংবগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা পাম্বৈ

চহি য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না ব্রেনগী মথৌদা অকায়বা থোরক্তুনা কাউগনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থরকপা হায়বসি মীওই অয়াম্বনা হেক-হেক থেংনরিবা থৌওংনি।

অহল ওইরক্লবা মতমদা য়াম্না তোয়না থেংনবা খুদোংচাদবশিংদি লোয়নবা মীগী ফাওবা মমিং কাউথোকপা, থমজিনখিবা পোৎশক অমা কদায়দা থমখ্রবগে হায়বা চপ চানা নীংশিংবা থোক্তবা অমসুং শিন্নরকপা অরুবা থবক অমা তরাই-তরাইনা হেক্তা কাউথোকখিবা অসিনচিংবনি।

ব্রেনগী নর্ভশিং পীকশিল্লকপা, ব্রেনদা কেমিকেলশিং পুথোকপগী চাং হন্থরকপা অমসুং মপুং ফানা ব্রেনগী টিশ্যুদা ঈগী ঈচেল য়ৌবা ঙমদবদগী পূন্নমক অসি ওইরকপনি। জিনগী ওইবা অশোয়বা, কোক্তা শোকপা-পনবা য়াওখিবা, ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরকপা অমসুং থম্মোয়গী লায়নানসু ব্রেনদা অকায়বা পীরক্তুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতীক-ময়াই হন্থহল্লকপা য়াই। চাং নাইনা শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি ব্রেনগী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থরক্তে।



অখঙ-অহৈশিংনা থিজিন হুমজিনবদগী খঙলকপা মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী শুকশোয় শোয়দনা ব্রেকফাস্ট চাবা হায়বসি ব্রেনগীদমক্তদি য়াম্নমক তঙাই ফদবা খোঙথাং অমনি। নুমিৎ খুদিংগী ব্রেকফাস্ট চাবনা ব্রেনগী ফীভম ফহল্লি হায়বসি য়ুনিভর্সিটি ওফ টোরোন্টোগী রিসর্চ রশিংনা থিজিনবদগী খঙলকপনি।

নুমিৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাক্তা ভিটামিন সি, বেটা কেরোটিন, আইরন অমসুং ভিটামিন ই য়াওহল্লবদি ব্রেনগী ফীভম ফনা লৈহনবগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতীক ময়াই হেনগৎলি।

অমরোমদা ইশা-ইউ ফনা লৈনবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাবগুম ব্রেন ফনবগীদমক্তসু ব্রেনগী শাজেল তৌগদবনি। শীজিন্নরিবমখৈ ব্রেনগী তৌবা ঙম্বা মতীক-ময়ায় হেনগৎলকই। হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংগুম ব্রেনগী মখলসু শীবু-শীজিন্নদ্রবদি তপ্না-তপ্না পীকশিল্লক্তুনা মাঙখি।

ব্রেন ফহন্দুনা নীংশিংবগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদিঃ-

- অতৌবা থবক খরা হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌবগী মহুৎ অনৌ-অনৌবা থবক কয়া তৌগদবনি।
- মরুপ-মপাংশিংগা ওইরবসু খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা অনৌবা ৱাখল্লোন-শিং লৌশিন্নবা হোৎনগদবনি।
- নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবা মিনিট ১৫ রোম লাইরিক অমা হেক্তা পাগদবনি।
- অনৌবা লোন, মশান্ন নৎত্রগনা মহৈ ১ হেক্তা তমশিনগদবনি।
- নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক মতম কাইথোক্তুনা নিংশা শ্বর শাংনা হোল্লগা মেদিটেসন তৌগদবনি।
- মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা স্ত্রেবল অমদি ক্রোসৱার্দপজলগুম্বা ৱার্দ গেমশিং শান্নদুনা ব্রেনগী শাজেল তৌগদবনি।

# হায়পর্টেন্সন

## কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লকপা য়াবা অনাবা




মীওইবগী হার্টনা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা ঈ য়ৌহনবগী মথৌ তৌই। হার্টতগী থাদোরকপা ঈনা শিংলী উতোংগী ফক্লাংদা য়ৈবগী শাফু অদুবু ব্লড প্রেসর হায়না খঙনৈ। হায়রিবা শাফু অসি কা হেন্না কল্লবদি ব্লড প্রেসর ৱাংবা নৎত্রগনা হাইপরটেন্সন কৌই। প্রেসর অসিনা ৱাংলিবমখৈ হার্টকী মথৌসু কনখৎপা মথৌ তারকই।

হাইপরটেন্সননা হকচাংগী কয়াৎ কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা রিনেল ফেলিয়র (কিদনি ফেল ওইবা), হার্ট ফেল্লর, স্ট্রোক নৎত্রগনা হার্ট এটেকনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া ওইহল্লকপা য়াই। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াদা থিজিন-হুমজিনবশিংনা জর্নেল ওফ অমেরিকন একাদেমি ওফ ন্যুরোলো-জিদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মীয়াই চল্লকপা মতমদা ব্লড প্রেসর ৱাংলবদি তুংগী পুন্সিদা পেং চোইরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

নোর্মেল ওইবা ব্লড প্রেসরগী লেভেলদি ১২০/৮০ নি। ১২০ হায়বসিনা সিস্টোলিক মিজর্মেন্ট (আর্টরিদা পীরকপা খ্বাইদগী ৱাংবা প্রেসর) নি অমসুং ৮০ হায়বসিনা দাইস্টোলিক মিজর্মেন্ট (আর্টরিদা পীরকপা খ্বাইদগী নেম্বা প্রেসর) নি। ব্লড প্রেসরনা ১২০/৮০ দগী ১৩৯/৮৯ ফাওবগী মরক্তা লৈবা তারবদি প্রিহাইপর্টেন্সন (হাইপর্টেন্সনগী রিস্ক ৱাংবা) হায়না খঙনৈ। করিগুম্বা ব্লড প্রেসরনা ১৪০/৯০ নৎত্রগা মসিদগী হেল্লবদি হাইপর্টেন্সন কৌগনি।

ইসেন্সিয়েল অমদি সেকেন্দরি হায়দুনা হাইপর্টেন্সনগী মখল অনি খায়দোকই। চপ চাবা মরম খঙদনা ব্লড প্রেসর ৱাংখৎলকপবু ইসেন্সিয়েল হাইপর্টেন্সন কৌই। বি পি ৱাংবগী কেস চাদা ৯৫ কাঙলুপ অসিগী মনুং চল্লি। কিদনিগী অনাবা, ট্যুমর নৎত্রগনা বর্থ কন্ট্রোল পিল শীজিন্নবগুম্বদগী ওইরকপা চপ চাবা মরম খঙলগা বি পি ৱাংখৎলকপগী থৌওংবু সেকেন্দরি হাইপর্টেন্সন কৌই।

অয়াম্বা মতমদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু ব্লড প্রেসর ৱাংখৎহল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি মৈখু শীজিন্নবা, হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা, দাইবেটিসনা নাবা, হকচাং লেঙ-ওৎপা ৱাৎপা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা, থুম কা হেন্না চাবা, কেলসিয়ম, পোটাসিয়ম, মেগ্নেসিয়ম অমদি ভিটামিন দি ৱাৎপা, য়ু কা হেন্না থকপা, ৱাখল ৱাবা, অহল ওইশিল্লকপা,, অঙাং ওইদনবা হীদাক-লাংথক চাবা, ইমুং-মনুংগী ঈ মরীদগী লৌনরকপা, কিদনিগী অনাবা লৈবা, এড্রিনেল অমদি থাইরোইদকী প্রোব্লেম লৈবা নৎত্রগনা ট্যুমর অসিনচিংবনি।

ব্লড প্রেসর ৱাংহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্বা তারবদি মদুবু সেকেন্দরি হাইপর্টেন্সন হায়না খঙনৈ। সেকেন্দরি হাইপর্টেন্সন ওইহল্লকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি কিদনিগী অনাবা লৈবা হায়বসিনি। এড্রিনেল গ্লান্দ (কিদনি মথক্তা লৈবা অপীকপা গ্লান্দ) দগী হোর্মোন চাং ৱাংনা থাদোরক্তুনা ব্লড প্রেসর ৱাংহল্লকপসু য়াওই।




মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগীদমক লৌখৎহৌবা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিংদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দবা, চাং নাইনা শাজেল তৌবা, মতম-মতমগী অতেকপা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশীংনা নম্না চাবগা লোয়ননা ফেট, থুম অমদি সোদিয়মগী শরুক য়াম্না চাদবা, য়ু কা হেন্না থক্তবা অমসুং মৈখু শীজিন্নদবা অসিনচিংবনি।

চাকচা-য়ুথক ফজবনা ব্লড প্রেসর ৱাংখৎহন্দে অমসুং মাঙজৌননা ৱাংখ্রবা মীওইশিংদনা হন্থহল্লকই হায়বা থিজিন-হুমজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

## ওইলি ওইবা উনশাগীদমক নুমিৎ খুদিংগী লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিং




ওইলি স্কিন ওইবা মীওইশিংগীদমক্তা নুমিৎ খুদিংগী লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং খরা থমজরি। ট্রোপিকেল ৱেদর কন্দিসনশিং লৈবা, কা হেনবা নুমিৎকী মৈশা, মঙাল মরক্তা তত্তনা হুমাং থোকপা, পোল্যুসনগী চাং হেনমনবা অমসুং অতৈ ফেক্টর কয়ানা নহাক্কী থাউ/ফেটকী গ্লেন্দশিংদা অকায়বা পীবা য়াই। মদুগী ফলনা ওইলি টি-জোন লেপ্তুনা শেমই। অদুগুম্বা ওইলি টি জোন অদু নহাক্কী নমায় অপুম্বা য়ৌবা য়াই। থাঙ্গৈশেংবা প্রোব্লেমদি ওইল প্যেরশিংদগী থাউ নৎত্রগা লেক কয়াম্না থোক্লকই হায়বসিনি। মদু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবদি নহাক্কী উনশা অমসুং উরিং কন্ট্রোল তৌগনি। করম্না মদুবু কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বদু হৌজিক ঐখোয় খঙমিন্নরসি।

হকচাংদা থাউরেক য়াম্না থোকই, লেক কাই হায়দুনা মোইসচুরাইজিং তৌরোইদবগী মরম লৈতে। করিগুম্বা নহাক্লা ওইলি স্কিন লৈরগা মোইসচুরাইজ তৌদবা তারবদি নহাক্কী থাউগী গ্লেন্দশিংনা সেবম অমা পুথোক্তুনা (লেক হেন্না থোকহন্দুনা) নহাক্কী উনশাদু অমুক্কা হেন্না ওইলি ওইহনগনি। মরম অদুনা নহাক্লা ওইলি স্কিনগীদমক্তা খ্বাইদগী ফবা ক্রিম শিজিন্নৌ। কৈথেলদা য়োনবশিংগী মনুংদা পোন্দসকী সিল্ক ক্রিম মোইসচুরাইজর শিজিন্নবদা কান্নবা ফলশিং ফংই হায়বসি খঙনরে। মসিগী ক্রিম অসি উনশাগা নিংথিনা চূশিন্নখি অমসুং তৈরবা মতুংদা চনপ-চনপ লাউহন্দে। মসিদা পুং ২৪ গী মোইচরা লোক ফোর্মুলা য়াওই হায়বদি নহাক্লা মসি অমুক্তং তৈখিবগা নঙোন্দা নুমিৎতুমা স্কিন দিহাইদ্রেসন থোক্লক্কনি হায়বগী চিংননিংঙাই ওইদ্রে।

নহাক্কী স্কিন অদু মতম শাংনা ওইলি ওইরবদি মতম পুম্বদা চনপ-চনপ লাউদুনা লৈ হায়বনি। মরম অদুনা নহাক্লা তঙাই ফদনা ব্লোটিং সীটশিং পুরগা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ব্লোটিং সীটশিংনা নহাক্কী উনশাদগী থোক্লক্লিবা থাউ/লেক অপুম্বদু চূপশিন্দুনা উরিং অমদি অতৈ উনশাগী নুংঙাইতবা কয়া থোক্লক্লবগী খুদোংচাবা ফংহন্দে।



অতৈ নহাক্লা চেকশিনগদবনি নহাক্লা নমায়দু কয়াম তোয়না শোকপগে/পায়বগে হায়বসিনি। নহাক্কী নখুৎতা অমোৎ-অকায়, উফুল-ৱাইফুল থাংদুনতা লৈ। নখুৎকী অমোৎ-অকায়শিং অদুনা মায়গী উনশাগী তুখোঙশিং ফূঞ্জিন্দুনা উরিং থোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ নখুৎতা নমায়দা শোক্কনু।

ক্লিনসিংগীদমক্তা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নৌ :

উনশাদা নুংঙাইতবা য়াওরকপা মতমদা ঈশিং অঙ্গৈংবনা ফৈ হায়না নহাক্লা খল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মদু চুমদে। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা থাউ তুম্বা থুই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নরবদি উনশাগী অমোৎ-অকায় অমদি বেক্টেরিয়া পুম্বা শেংনা থাদোকখিদুনা নহাক্কী উনশাদু তরূ-তরূনা লৈহৌই।

